হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Readable
The messenger of the masses

জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী লেকচরর ডা. চুংখাম ইন্দিরা দেবীদা ষ্টেট সাইন্স কম্যুনিকেটর এৱার্দ২০১৭ লান্থোকপগী শক্তম

এগ্রিকলচর, ফিশরি, এম ও বি সীনচিংবা দিপার্টমেন্টশিংগী মথক্তা থাঙ্গৎপা পি আই এল খন্নবীদুনা সী বি আইদা শীন্নবীয়ু হায়না লৌশালনা শীন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌবা

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ককচীং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নুঙৌরোক খুলদা উন্না মথক-মখা শাবা য়ুম অমা খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা চাকখিবগী শক্তম

ঈপাথৌকোক অমদি এন খেলচন্দ্র চেরিটেবল ট্রষ্টকা পুন্না শীন্দুনা কোন্বীরৈ শঙলেন্দা পাঙথোকপা লৈখিদ্রবা এন খেল-চন্দ্রগী চহী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম

Vol. 41, Issue No.050 নোংমাইজিং, কালেন ১৮ নি পানবা, অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Sunday, May 14, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩৬.৮৬ °C	২৩.৭৭ °C
সীসীপুর	৩১.৪৩ °C	১৯.৪৪ °C
ইম্ফাল	৩৩.৩৪ °C	১৮.২০ °C
সেনাপতি	৩১.৭৮ °C	১৭.৫৬ °C
তমেংলোং	৩৫.০১ °C	১৯.৬৩ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২৪.৭৮ °C	১৫.৯২ °C
মণিপুর	৩৬.৮৬ °C	১৫.৯২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

ডা. ইন্দিরাদা সাইন্স কম্যুনিকেটর এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ : জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী লেকচরর ডা. চুংখাম ইন্দিরা দেবীদা ষ্টেট সাইন্স কম্যুনিকেটর এৱার্দ ২০১৭ লান্থোকখ্রে। নেসনল ইন্সটিট্যুট ফোর ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নেলিট) অকাম্পাৎতা পাঙথোকপা সাইন্স মীট ২০১৭ হৌদোকপগী থৌরমদা এৱার্দ অসি মণিপুর ষ্টেট সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিলগী মেম্বর সেক্রেটরি ওইরিবা ঐচ জ্ঞান প্রকাশনা ডা. চুংখাম ইন্দিরা দেবীদা লান্থোকখি। থা অসিগী ১১ দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ষ্টেট সাইন্স কম্যুনিকেটর এৱার্দ অসি লান্থোকখিবনি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, মমেন্টো অমদি সাইটেসন য়াওরি।

কম্মিসননা শকখঙলে

ইম্ফাল, মে ১৩ : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা মেম্বর ৪ লৈবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুরগী ষ্টেট পার্টি ওইনা শকখঙখ্রে। পার্টি অসিনা মীখলদা শীজিন্নখিবা লাইরিক্কী সিম্বোলসু পার্টি অসিগী রিজার্ব সিম্বোল ওইবা য়ারে হায়না পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	70.236183
US Dollar	64.254929
British Pound	82.802126
Australian Dollar	47.460873
Chinese Yuan Renminbi	9.313590
Japanese Yen	0.566913
Malaysian Ringgit	14.778397
Nepalese Rupee	0.623431
Russian Ruble	1.125173
Singapore Dollar	46.019287
South Korean Won	0.057176
Thai Baht	1.853240
Myanmar Kyat	0.04749
Bangladesh Taka	0.78849

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 28909.09
Mumbai	–	Rs 29561.50
Delhi	–	Rs 29411.76
Kolkata	–	Rs 29411.76

HL POLL

Q : Lupa lakh kharagi mayai kaba chinjak police na faraga mayai kaba drug thingba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meeyamda namthak touraga petrol da potyan toushinbada chennabasing cheirak fanggani thajabra?

Yes 32% No 68%

অস! লোইরেহে!

হন্দক্তি থম্বালসি য়োৎচাবী য়াওব্রা খঙদে, কৈনোমা তৌইকো...!

[illegible]



চোংশিনখিবশিং তপ-তপ নপ্পীনে!

[illegible]

য়ুম্নাম কেশো আর্ট এন্দ কলচর এন্দ লিটরেচর এৱার্দ পীরগনি

লিটরেচরনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা থৌদাং লৌবা য়াই : জয়কুমার

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

লুপা লাখ ১গী শেলগী মনা য়াওবা য়ুম্নাম কেশো আর্ট এন্দ কলচর অমসুং লিটরেচর এৱার্দ চহী অসিদগী পীবা হৌরগনি হায়না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী ৮২ শুবা চহীগী মীফম অমদি পন্দিট নিংথৌজম খেলচন্দ্রগী ১০০ শুবা মপোক কুমওনগী শরুক অমা ওইনা পন্দিট নিংথৌজম খেলচন্দ্রবু নৌহৌনা মশক লেপ্পা হায়বা হীরমদা ঙসি মহারাজ চন্দ্রকৃতি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা হায়খি, আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি ঐখোয়না মুন্না খঙবা চঙই। লিটরেচর, কলচর, জগোই ঈশৈনা খুন্নাইদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌবা য়াই। চহী ২০০০ হেল্লবা মণিপুরী লিটরেচরগীদমক ঐখোয়না চাওথোকচরবসু মসিগী মরুওইবা অমদি ফজবা মশক খঙবা মীগী মশীংদি য়ামদ্রি। লিটরেচর মখা তানা চাউখৎহন্নবা অমদি মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মসিগী মপান নাইদ্রবা পূক্কে য়েংশিন্দুনা তুংগী মীরোলদা য়ৌহন্নবা হোৎনফম থোকই। ইনখৎলক্লিবা মীরোলদা অরিবা ৱারী, জগোই অমদি থাঙ-তাগা শাগোন্ননা চৎহনবা ঙম্নবা স্কুলগী করিক্যুলমদা ওপ্সনেল সবজেক্ট ওইনা হাপচিনবা মথৌ তাই।

মহাক্কী অপোকপগী মিংদা চৎলিবা চহী অসিদগী হৌনা য়ুম্নাম কেশো সিংহ মেমোরিএল লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দইন লিটরেচর, আর্ট এন্দ কলচর পীরগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ১, সর্টিফিকেট, সাইটেসননচিংবা য়াওরি।

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনসু লমদমসিগী লৈজরক্লিবা ফোক লোর মাঙখ্রবশিং থিজিনহন্নীংই। ইনাক খুল্লবা লিটরেচর অমদি ফোক লোরশিং অমুক হন্না পুথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়খি, মীওইবগী মশক লেপ্পা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লিটরেচরনা থৌদাং লৌরি। সাহিত্য পরিষদকী ওইবা অহেনবা তৌবা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিন্দুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

মালেমগী লৈবাক ৯৯ দা সাইবর এটেক চখদুনা রেন্সম তানবা হৌরে

ন্যু য়োর্ক, মে ১৩ (এজেন্সী):

মালেমগী ওইনা তৌগে হায়বতা তৌবা ঙন্বা য়ু এসকী ইলেক্সনদা ঈ-মেল হেক তৌবগী অচৌবা ৱাথোক লৈরিঙৈগী চৈরকসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৯৯ দা লৈবা হোস্পিটাল, মরুওইবা কম্পেনি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা সাইবর এটেক চখদুনা অচৌবা শেনফম অমা তান্নবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রে।

সী এন এনগী রিপোর্ট অমনা হায়, মালেমগী লৈবাক ৯৯ গী তোঙান-তোঙানবা ফার্ম ৭৫,০০০ রোমদা চথুরকখিবা থৌওং অদুনা পুৱারীদা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা চথুরকপা সাইবর এটেকনি।

সাইবর সিক্যুরিটি ফার্ম অভাষ্টকী ৱারোল পল্লদুনা সী এন এনগী রিপোর্টনা হায়, রসিয়া, য়ুক্রেন অমদি টাইৱানগী মরুওইবা কম্পেনি কয়াদা সাইবর এটেক চথুরকখি। অদুবু য়ুনাইটেদ কিংদমগী হোস্পিটাল, চাইনিজ য়ুনিভর্সিটি অমদি ফিদেক্স (এফ দি এক্স)নচিংবা গ্লোবেল ফার্ম খরদসু সাইবর এটেক চথুরকখিবগী পাউফংখি। মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না চথুরক্লিবা থৌওং অসিগী মতাংদা ইন্টর-নেসনল ইনভেষ্টিগেসন চথবা মথৌ তাই হায়না য়ুরোপোলনা ফোঙদোকখি।

'ৱান্নক্রাই' কৌবা রেন্সমৱেরনা কম্প্যুটরগী ফাইলশিং লোক তৌখিবগা লোয়ননা শীজিন্নবা য়াহনখিদে। অমুক হন্না কম্প্যুটরশিং শীজিন্নবা য়ানবগীদমক শেল পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরকখি।

মালেমগী মমিং লৈরবা সিক্যুরিটি ফার্ম কেস্পরস্কাই লেবকী প্রিন্সিপাল সিক্যুরিটি রিছার্সচর কর্ট বোমগার্টনরনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সী এন এনগী রিপোর্টনা হায়, রেন্সমৱেরনা মরুওইবা কম্পেনিশিংগী কম্প্যুটর লোক তৌরবা মতুংদা পুং ৬ কী মনুংদা শেল পীরক্লবা খঙহল্লকখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা করিগুম্বা শেল পীদবা থোক্লবদি পুং খুদিংগী শেল হেনগৎনা দিমান্দ তৌরকই।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী নেসনল হেল্‌থ সার্ভিস (এন ঐচ এস) ওর্গনাইজেসন ১৬ তা মতৌ অসুম্না সাইবর এটেক চথুরকখিবা মরম্না হোস্পিটালশিংদা আউট পেসেন্ট দিপার্টমেন্ট মথৌ লেপখি। চাইনাদসু রেন্সমৱেরনা কোলেজশিংগী কম্প্যুটর লোক তৌশিনখিবা মরম্না মহৈরোয়শিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনখি হায়না এজেন্সীগী পাউ অসিনা হায়রি।

নৌনা চথুরক্লিবা সাইবর এটেক্কী থৌওং অসিগী মতাংদা রসিয়ন টেলিকম্যুনিকেসন কম্পেনি অমগী স্পোক্সমেন পিটর লিদোফনা সী এন এনদা হায়খি, রেন্সমৱেরনা কম্প্যুটর অমগী ফাইল পুম্নমক লোক তৌশিনখ্রবা মতুংদা মনাক নক্না লৈবা অতৈ অতোপ্পা কম্প্যুটরশিংদসু খুদোংথীবা থোকহনবা ঙম্মী। কিনিংঙাই ওইরবা থৌওংশিং অসি ইন্দিয়াদসু চেকশিন্নীংঙাই ওইরে। অদুমওইনমক সোফটৱেয়র অপ-টু-দেট তৌরবা কম্প্যুটরশিংদদি থোইদোক্না খুদোংথীনিংঙাই ওইদে।

পুলিসনা মফম অহুমদগী এস পি কেপসুল ২০৫২, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২০০ ফারে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা থিবা হুন্বা চথবদা ময়াই কাবা দ্রগ স্পাস্মো প্রোক্সিবোন কেপসুল ২০৫২ অমদি ৱর্ল্ড ইজ য়োর টেব্লেট ২০০ লোয়ননা নম্বর ফোর গ্রাম ৭২ গা কোন্ননা মীওই অহুম ফারে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩৫ রোম তাবা মতমদা উরিপোক খুমন্থেম লৈকায়দা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (ওপস) ডা. এস ইবোমচা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী নার্কোটিক সেলগী ও সী কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা কাঙবুনা থিবা হুন্বা চথবদা এস পি কেপসুল ৩০০ অমদি দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২০০ গা কোন্ননা নুপা অমা ফারে। ফারবা নুপা অদুগী মমীং ময়াংলম্বম মনিতোম্বা এলিয়জ তোম্বা (৬৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা অমু কৌই। মহাক লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা উরুপ মখা লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা কেস লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

সুপ্রিম কোর্টকী এদভোকেট উনবা ফংদ্রি : মণিপুর পুলিস

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১১গী মার্চ ২০ দা নোংথোম্বম অজয়না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়বা ইরোম রোজরগী ইমুং-মনুংনা নেকপা উকিল অমদা লালহৌবশিংনা কিহল্লক্লে হায়বা পাউ অমা *ন্যু ইন্দিয়ন এক্সপ্রেস* তা ফোঙলকপা থেংনবদগী থা অসিগী ১০ দা সুও মোটো কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা ইরোম রোজরগী ইমুং-মনুংগী মতেং পাংদুনা কেস থেংনরিবা উটসব সিংহ বেন্স কৌবা সুপ্রিম কোর্টকী উকিল অমদা লালহৌবনা কিহল্লক্লে হায়বা ন্যুজ আইটেম অমা থেংনবদগী হীরম অসিগী মতাংদা উকিল অদুগী ষ্টেটমেন্ট লৌনবা হোৎনখি। হোটেল ইম্ফালদা লৈখিবা উকিল অদুনা পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা কোওপ-রেসন পীখিদবগা লোয়ননা নুমিদাং-ৱাইরম পুলিস ষ্টেসনদা লাক্লগা ষ্টেট-মেন্ট পীরগে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু মশা লাকখিদে। মে ১২গী অয়ুক পুং ১০.০৮ তাবদা বেন্সনা কেস অসিগী আই ও ওইরিবা এস দি পি ও/ইম্ফালদা এস এম এস অমা থারক্তুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ওইনা ষ্টেটমেন্ট লৌনবা খঙহল্লকখি। অদুবু আই ওনা হায় কোর্টতা চৎলুবা মতমদদি উকিল অদু লৈরমখিদে। নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ১০.৫২ দা উকিল অদুনা অতোপ্পা এস এম এস অমা থারক্তুনা মহাক দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লে হায়না খঙহল্লকখি।

পুলিস দিপার্টমেন্টকী চেরোল অসিনা হায়, ইনভেষ্টিগেসন অসি মখা চথনবগীদমক এদভোকেট বেন্সকী ষ্টেটমেন্ট লৌবা য়াম্নমক তঙাইফদবা মরম্না ইম্ফালনা মহাক্লা লৈরিঙৈদা লোয়নরম্বা মীওইশিংগা উননবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা সগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকায়দা লৈবী বিনালক্ষ্মী নেপ্রমগী ময়ুমদা চৎখি। অদুবু মশা থেংনদবদগী হল্লকখি। পুলিসনা য়ুমদা লৈরম্বা কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা কিহনখিবা লৈতে। আই ওনা হৈঙাংদা লৈবা নাওরোইবম রতন সিংহ এলিয়স কাপু কৌবা মীওই অমসু উননবা হোৎনখি। অদুবু মহাকসু মপান্দা চৎখিবদগী থেংনবা ঙমখিদে।

অমরোমদা, মণিপুর ৱিমেন গন সর্ভাইভরস নেটৱার্ককী কনভিনর বিনালক্ষ্মী নেপ্রমনা মহাকপু মণিপুর পুলিসনা কিহল্লম্লে হায়না মরাল শীরকখ্রে। বিনালক্ষ্মীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১২ দা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মণিপুর পুলিসকী অচৌবা টিম অমা ময়ুমদা লাকখি। মহাক অমদি মহাক্কী কাঙবুনা ষ্টেট অসিগী নুপী ওইবী কয়াদা মতেং পাংনবা লৌখৎপা থৌরাংদা অপনবা পীনবগীদমক থৌওং অদু চথখিবনি।

মণিপুর অমদি অৱাং-নোংপোক লমদমদা চহী ১০ রোম মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাকপা নুপী অমদা কনাগুম্বা খরনা কিহনবগী থৌওং চথুরকপা য়ানিংদে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

এম পি এস সীগী চ্যেরমেন, মেম্বর অমসুং সেক্রেটরি হাপখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

লেফটনেন্ট জেনরেল রিটয়ার্দ কোন্সম হিমালয়বু মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেন ওইনা হাপ্লে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেলনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অদুনা হায়, থবক্তগী পোত্থারবা লেফটনেন্ট জেনরেল কোন্সম হিমালয়না চহী ৬কী ওইনা কম্মিসন অসিগী চ্যেরমেন ওইনা পুগনি। মহাক্কী পে এল্লাৱেন্স অমদি অতৈ সার্ভিস কন্দিসনশিং অসি মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন রিগ্যুলেসন ১৯৭২গী মতুংইন্না লৈঙাক্না পীগনি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেলনা থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, আই এ এস জেসন শিমরেবু মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খল্লে। চহী ৬ কী ওইনা ফম অসি পুগনি। মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন রিগ্যুলেসনগী মতুংইন্না মহাক্কী পে অমদি এল্লাৱেন্সশিং পীগনি হায়নসু মখা তারি।

অমরোমদা, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি দব্লিয়ু এল হংশিংবুসু মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী মেম্বর ওইনা খল্লে। চহী ৬ কী ওইনা ফম অসি পুগনি। মহাক থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌরগনি। মহাক্কী পে অমদি এল্লাৱেন্সশিং মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন রিগ্যু-লেসনগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

সী এমনা হয়েং মীয়ামগা উনগনি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৫ দা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মীয়ামগা উননবা শেম শাখ্রে। নুমিৎ অসিদা অয়ুক্কী পুং ১০ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং করিনো হায়বা খঙদোক্ননবা মীয়ামগা উনদুনা ৱারী শানগনি। মিনিষ্টরশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং, দি সীশিং, এস দি ওশিং অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্টনচিংবনা মখোয়-মখোয়গী ওফিসশিংদা হায়রিবা পুংফম অসিমক্তদা মীয়ামগা শোয়দনা উনগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা খঙহল্লক্লি।

ওজাশিংগী থা ৬কী তোলোপ পীরগনি

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর সর্ভ সিক্ষ্য অভিয়ান টিচর এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামগা উনদুনা ৱারী শানরবা তুংদা থা ৬কী তোলোপ চয়োল অসিগী মনুংদা পীথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীবদগী এসোসিএসনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে। থা ৬কী তোলোপ পীখ্রবা তুংদা ৱাৎহৌরিবা থা ২গী তোলোপ অদুনা জুলাই থাগী অহানবা চয়োলদা পীবা, মথং থাদগী চাং নাইনা এস এস এগী টিচরশিংগী তোলোপ পীননবা য়েংশিনবা হায়নসু য়ানখি। এমজেলগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা অদুসু ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকা তানরগা লোইশিনগনি হায়রি।

তৃণমূলনা বি জে পিগা চৎমিন্নররোই : ইনাওচা

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস):

ওল ইন্দিয়া তৃণমূল কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গা চৎমিন্নররোই, তৃণমূলনা ওপোজিসনগী রোল লৌগনি হায়না মণিপুর প্রদেশ তৃণমূল কোংগ্রেস কম্মিটিগী ইন-চার্জ প্রসি-দেন্ট টি ঐচ ইনাওচানা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

সঞ্জেন্থোংদা লৈবা এম পি টি সী সীগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা টি ঐচ ইনাওচানা হায়খি, মতম খরা বি জে পিগা তৃণমূল কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরম্মী। অদুবু তৃণমূলনা বি জে পিগা চৎমিন্নরম্বা অদু মখা তানা চৎমিন্নররোই। ওপোজিসনগী রোল লৌদুনা খোল্লাউ কয়া লাউগনি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ভি আই পি কলচর মুখৎকনি হায়না লাউরি। অদুবু মিনিষ্টর এম এল এ কয়াগী সিক্যুরিটি এস্কোর্টশিংনা লম্বীদা গাড়ী থৌবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতবা মওং কয়া চথরি। মীয়াম মরক্তা গাড়ী কন্না থৌজিনবা অমদি চৈনচিংবা পায়রগা নাকন্দা চৎলম্বা গাড়ীদা কল্লম্বগী থৌওং ফাওবা য়াওরি। অসিগুম্বা মওং অসি য়ানিংদে। লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা এৱ্যেরনেস পীবা মথৌ তাই।

মণিপুরদা দিজলনা চল্লাইবা মোবাইল টাৱর কয়া লৈরি। চেক্কোন কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা মফম কয়া অসিদগী থাদোরক্লিবা পোল্যুটেন্টশিং অসি মতৌ করম্না য়েংশিল্লিবগে হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা করি থবক তৌরিবগে হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। মণিপুরদা এক্সিদেন্ট থোকপগী পাউইতৎ তৎতনা তাবা ফংলি। এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং অসি হন্থহন্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্ননিংঙাই ওই। গাড়ী থৌরিবশিং কাঙলোন চুম্না নীংথিনা থৌবা হৈহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা দ্রাইভিং স্কুল লিংখৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা দ্রাইভিং স্কুল লিংখৎনবা দিমান্দ তৌরি। ষ্টেটসিদা লৈরিবা মহৈলোইশঙশিং অয়াম্বনা চহী ১ দা নুমিৎ ১২০ নি রোমদগী হেন্না মহৈ তম্বা ফংদে। মহৈ তম্বা নুমিৎ মশীং অসি য়ামদে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

বি জে পিগী ভিজন দোক্যুমেন্টতা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মতাংদা পল্লি। পূকচেল শেংনা শেঞ্জা-থুমজা লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক লৈঙাক্লা চপ চানা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে। মিনিষ্টর, এম এল এশিং অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী লন-থুম থা ১গী মনুংদা লাউথোকপীয়ু। লন-থুম লাউথোকখিবা তারবদি চহী খরগী মতুংদা অমুক হন্না চেক তৌবা মতমদা করি ফীভম লৈরিবগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মণিপুরগী থাঙ-তাগী মহৈ উৎনবা য়ুনেস্কোনা কৌরক্লে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস) :

বেলজিয়মদা চহী অসিগী ওগষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড হ্যুমেনিটিজ কনফরেন্সতা থাঙ-তাগী মহৈ উৎলরনবা য়ুনেস্কোনা ইমা ফাউন্দেসন থাঙ-তা মণিপুরগী শীন্দম শঙলেন্দদা চেরোল অমা থাদুনা খঙহল্লক্লে।

মণিপুরগী অরিবা মার্সিএল আর্ট ফোর্মদা য়ুম্ফম ওইবা থাঙ-তাগী তোঙান-তোঙানবা মহৈশিং উৎলরনবা চৎথোক-চৎশিন য়াওনা খোঙচৎ অসিগী চাদিং মণিপুর লৈঙাক্তা পুথোকপীননবা অখন্নবা চেরোল অমসু য়ুনেস্কোনা খঙহল্লকপদা য়াওরে। হায়রিবা চেরোল অদু চীফ মিনিষ্টরদা এদ্রেস তৌরগা থারকপনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

য়ুনেস্কোনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা ইবা চেরোল অদু ইমা ফাউন্দেসন থাঙ-তা মণিপুরগী ফাউন্দর রাধা বিনোদ শর্ম্মনা ঙসি নোংমা-নীনি অসিগী মনুংদা পীশিল্লগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনগদৌরিবা চেরোল অদুদা ফাউন্দেসন অসিগী মায়কৈদগীসু অচংবা শেনফম লৈঙাক্লা পুথোকপীননবা তকশিনগনি হায়রি।

ইমা ফাউন্দেসন মণিপুরগী ফাউন্দর রাধা বিনোদ শর্ম্মনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনগদৌরিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমশিংদি চহীসিগী ওগষ্ট থাদা বেলজিয়মদা ৱার্ল্ড হ্যুমেনিটিজ কনফরেন্স পাঙথোক্কদৌরি। য়ুনেস্কোনা সপোর্ট তৌবা কনফরেন্স অমনি। মসিদা মালেমগী ওইনা আর্ট ফোর্ম কয়া উৎকদৌরি। কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ইমা ফাউন্দেসনসু ইনভাইট তৌরক্লে। নাৎ অমদি আর্ট ফোর্ম কয়াবু য়োকখৎনবা মীৎয়েং থল্লিবা ইমা ফাউন্দেসনগী মায়কৈদগী কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ানবা শেম শারি।

ইমা ফাউন্দেসনগী ফাউন্দর রাধা বিনোদ শর্ম্মনা হন্দক্তা থাঙ-তা আর্টিষ্ট কয়াগা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

LOAN AVAILABLE

ঈগৌ খুদোংচাব

- মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loklaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June

ঈ-পাঙ্গা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্নের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫